# পিএম মোদিনা লুপা ক্রোর ৭,৫০০ গী প্রোজেক্টশিং হৌদোকখ্রে প্রোগ্রাম য়াওবা লাকপা মীওই ৩ এক্সিদেন্টদা শিরে

**রাইপুর, জুলাই ৭ (এজেন্সী):**

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা ছতিসগর ষ্টেটতা লুপা ক্রোর ৭,৫০০ রোমগী তোঙান তোঙানবা চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং ইরাই নুমিত্তা শঙ্গাখ্রে।

রাইপুরদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা পিএম মোদিনা হায়খি, মদুদি প্রোজেক্টশিং অদুনা লমদম অদুগী মীয়ামগীদমক্তা অনৌবা থবক্কী খুদোংচাবশিং ফঙহল্লগনি অমদি ষ্টেট অদুদা চাওখৎ খোঙথাংশিং লাক্লবগী লম্বী ফাৎলগনি। হৌখিবা চহী মাপনগী মনুংদা বি জে পিনা লুচিংবা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টগী মখাদা ছতিসগরসু হিরম খুদিংমক্তা চাওখৎলকখি হায়না মহাক্না ক্লেম তৌখি।



পিএমনা মখা তাখিবদা প্রধান মন্ত্রি গ্রামিন সড়ক যোজনাগী মখাদা ছতিসগরগী ট্রাইভেল ভিলেজ লিশিং কয়া য়ৌবা লম্বীশিং শেম শাখি। য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা কিমি ৩.৫০০ শাংবা নেসনেল হায়ৱেগী প্রোজেক্টশিং এপ্রুভ তৌখিবদা কিমি ৩০০০ মপুং ফানা শেম শাবা লোইরে। নেসনেল হায়ৱেশিং অসিনা কন্নেক্টিভিটি পীদুনা মীয়ামগী পুন্সি হেন্না লাইথোকহল্লগনি অমসুং মফম অসিগী হেল্‌ঠ সর্ভিসেস ফগৎহল্লগনি হায়না পিএমনা ফোঙদোকখি।

প্রোজেক্টশিং অসি শঙ্গাবদা নত্তনা পিএম মোদিনা লেন্দ তরুক্কী গ্রিনফিল্ড রাইপুর-ভিসাখাপটনম কোরিদোরগী ছতিসগর সেক্সনগী নেসনেল হায়ৱে প্রোজেক্ট অহুম উরেপ উয়ুংসু তমখি। লম্বীগী প্রোজেক্টশিং অদু উরেপ উয়ুং তন্নবা মতুংদা পিএমনা অয়ুসমান কার্দশিংসু য়েন্থোকখি।

মহাক্না লৈবাক অসিগী মীয়ামদা লুপা ক্রোর ৭৫০ চঙনা শেম শাখিবা কিমি ১০৩ গী রাইপুর-ফরিয়র রোদ রেল লাইনগী দব্লিংসু দেদিকেট তৌখি। পিএমনা কোরবাদা লুপা ক্রোর ১৩০ হেন্না চঙনা শাখিবা চহীদা মেট্রিক টন ৬০,০০০ পুথোকপগী কেপাসিটি লৈবা ইন্দিয়ন ওইল কোর্পোরেসনগী ভোটিং প্লান্টসু শঙ্গাখি।

থৌরম অদুদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর নিতিন গদকারি, ছতিসগরগী গভর্ণর বিস্বা ভুষন হরিচন্দ্র অমসুং সিএম ভুপেস বাগেলসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা চীফ মিনিষ্টর বাগেলনা মহাক্কী ৱারোলদা ছতিসগর চাওখৎপগী লম্বীদা লেপ্তুনা চঙশিল্লি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা নৌনা শেন্বা ঐখোয়গী ষ্টেটতা সেন্টরনা শেলগী মতেং পীরক্কনি হায়বগী থাজবসু ফোঙদোকখি।

চৈরকসিদা রাইপুরদা পিএম মোদিগী প্রোগ্রামদা শরুক য়াগদবা মীওইশিং পুদুনা লাকপা বস অমা ইরাই নুমিত্তা ছতিসগরগী বিলাসপুর দিষ্ট্রিক্টতা ট্রক অমদা থেংজিনবদগী য়ামদ্রবদা মীওই অহুম শিখ্রে অমসুং অতৈ মঙা অশোক অপন নঙখ্রে।

পুলিসকী মতুং ইন্না এক্সিদেন্ট অদু বেলটরাগা নক্কনা অয়ুক অঙনবদা নেসনেল হায়ৱে অমদা থোকখিবনি। অম্বিকাপুর দিষ্ট্রিক্টতগী লাকখিবা অমসুং মীওই ৪০ রোম তোংবা বস অদুনা খামদুনা লৈবা ট্রক অদুদা থোমজিনখিবনি।

এক্সিদেন্ট অদুদা অশোক অপন নঙখিবা বি জে পিগী ফঙ্কসনরিশিং ওইরিবা লিলু গুপ্ত অমসুং বিসম্বর কৌবা মীওই অনীগী ফিভম লুনা লৈরি হায়না পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

সিএম বাগেলনা থৌদোক অদুগী মতাংদা অৱাবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং খুদিংমক্তা লুপা লাক্ষ ৪ গী কম্পেন্সেসন পীগনি লাউথোকখ্রে।

# ইন্দিয়ানা য়ুকেদা এক্সট্রিমিষ্ট ইলিমেন্টশিংগী মায়োক্তা অকনবা এক্সন লৌখৎনবা তকশিনখ্রে

**ন্যু দিল্লি, জুলাই ৭ (এজেন্সী):**

ইন্দিয়ন দিপ্লোমেটশিংদা অকিবা পীরিবা এক্সট্রিমিষ্ট ইলিমেন্টশিংগী মায়োক্তা অকনবা এক্সন লৌখৎনবা ইন্দিয়ানা য়ুকেদা তকশিনখ্রে। মসিগী ইস্যু অসি ইন্দিয়াগী নেসনেল সেক্যুরিটি এদভাইজর অজিৎ দোবালনা য়ুকেগী মহাক্কী লেঙমান্নবা টিমবেরোগা ৱারী শান্নবদা পুখৎখিবনি।



ছোর্সশিংনা হায়রিবদি দোবাল অমসুং বেরোগী মরক্তা পাঙথোকখিবা মীটিংদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী প্রো-খালিষ্টানি গ্রুপশিংনা ওষ্টরশিং শীজিন্নদুনা ইন্দিয়ন দিপ্লোমেটশিংগী মায়োক্তা ভাইওলেন্স চথনবা হোৎনবগী ৱাফম হৌদোকখি। ইন্দিয়া অমসুং য়ুকে অনীমক্না ৱারী শান্নবা অদুদা কাউন্টর টেররিজম অমসুং টেরর ফাইনান্সশিংগী মায়োক্তা লৌখৎফম থোকপা এক্সন লৌখৎননবা খুৎশম্না হোৎনমিন্নবগী ৱাফম য়ানখি।

ইন্দিয়া অমসুং য়ুকেনা মীটিং অদুদা নৌনা থোরক্লিবা মরু ওইবা টেক্নোলোজিশিংদা নাকল অনীমক্তা কান্নগদবা মওংদা কোল্লাবোরেসন হেনগৎহন্নবগী ৱাফমসু য়ানখি।

ফ্রিদম ওফ এক্সপ্রেসনগী মিংদা ভাইওলেন্স শৌগৎলিবশিংবু মখোয়গী থবক পাঙথোক্লবগী মফম পীরোইদবনি হায়না শগোলশেল নুমিত্তা মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফিয়র্সকী স্পোক্স পার্সন অরিন্দাম বাক্সিনা ফোঙদোকখিবনি।

কানাদা, য়ুকে, য়ুএস অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াদা লৈরিবা ইন্দিয়ন দিপ্লোমেটশিংবু কিহল্লিবা অসিগুম্বা পোষ্টরশিং জুলাই ৮ দা খালিষ্টানি ইলিমেন্টশিংনা শীন্দুনা মথক্তা পল্লিবা লৈবাকশিং অসিদা পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরিবা রেল্লিগী মাঙওইননা থোক্লকপা উখি।

এক্সটর্নেল এফিয়র্স মিনিষ্টর এস জয়সঙ্করনা ৱাফম অসি মরী লৈনবা লৈবাকশিংদা পুখৎখিবগা ইরোয়ননা শগোলশেল নুমিত্তা বাক্সিনা হায়খি, মদুদি ইন্দিয়ন দিপ্লোমেটশিংবু কিহনবগী ইস্যু অসি ইন্দিয়ানা লন্দনদা পুখৎখ্রে।

য়ুকেগী ফোরেন সেক্রেটরি জেমস ক্লেবর্লিনা ফোঙদোকখিবা এক্সট্রিমিষ্ট ইলিমেন্টশিংগী থৌওং অদু মখোয়না গ্রাউন্দদা লৌখৎলকখিবা থবকশিংগী মতুং ইন্না লেপকনি হায়বা ৱাফম ইন্দিয়ানা নোট তৌরে হায়না এম ই এগী স্পোক্স পার্সন অসিনা মমাঙদা ফোঙদোকখ্রবনি।

# এন সি সি কেদেটশিংগী জিরো বেলেন্স একাউন্টশিং হাংহন্দুনা হকথেংননা য়ুনিফোর্ম এল্লাৱেন্স ফঙহল্লগনি

**ন্যু দিল্লি, জুলাই ৭ (এজেন্সী):**

মরু ওইবা খোঙথাং অমদা সেন্টরনা এন সি সি কেদেটশিংগী বেঙ্ক একাউন্টশিংদা হকথেংননা চঙগদবা য়ুনিফোর্ম এল্লাৱেন্স অমা ইরাই নুমিত্তা লাউথোকখ্রে অমসুং মসিগীদমক্তা জিরো বেলেন্স একাউন্টশিং হাংবা য়াহল্লগনি।



ইনিসিএটিব অসিগী মখাদা ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়ানা মসিগী 'পহলি উদান' স্কিমগী মখাদা দেবিদ কার্দ, চেক বুকশিং অমসুং পাস বুকশিংগী ফেসিলিটিগা লোয়ননা এন সি সি কেদেট পুম্নমক্কী জিরো বেলেন্স একাউন্টশিং হাংগনি।

মিনিষ্ট্রি ওফ দিফেন্সকী মতুং ইন্না ইনিসিএটিব অসিনা চহী খুদিংগী কেদেট লাক্ষ মঙারোমদা কান্নবা ফঙহনগনি। অনৌবা থৌরাং অসিগীদমক্তা এন সি সি অমসুং ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (এস বি আই) না দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহগী মমাঙদা মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং (এম ও য়ু) অমা খুৎয়েক পীনখি। মিনিষ্ট্রি ওফ দিফেন্সনা হায়রিবদি একাউন্টশিং অদু ট্রেনিং মপুং ফানা লোইদ্রিবা ফাওবা চহী ১৮ শুদ্রিবা ফাওবা ফঙ্কস্নেল ওইনা লৈগনি।

মসিনা কেদেটশিংবু নেসনেল বেঙ্কিং সিষ্টেমগী খুদোংচাবা ফঙহনবদা নত্তনা মখোয়দা দি বি টি (দাইরেক্ট বেনিফিট ট্রান্সফর) গী খুত্থাংদা অতৈ গভর্ণমেন্ট স্কিমশিংগী ফন্দশিং মখোয়গী একাউন্টশিংদা চঙহনবা য়াবগী প্লেটফোর্ম অমা পীরগনি।

গভর্ণমেন্টগী দি বি টি ইনিসিএটিবকী মখাদা মিনিষ্ট্রি ওফ দিফেন্সনা ফিজিকেল য়ুনিফোর্ম দিষ্ট্রিব্যুসন প্রোসেস শেমদোক্তুনা ট্রান্সপরেন্সি হেন্না লৈহনবগা লোয়ননা অয়েক অপন অমত্তা লৈহল্লরোই। মসিনা এন সি সি (নেসনেল কেদেট কোর) কেদেটশিংগী বেঙ্ক একাউন্টশিংদা য়ুনিফোর্ম এল্লাৱেন্সকী বেঙ্ক ট্রান্সফর হকথেংননা য়াহল্লগনি। মসিনা হৌজিক লৈরিবা সেন্ট্রেল প্রোক্যুমেন্ট অমসুং দিষ্ট্রিব্যুসন প্রোসেসকী মহুৎ শীল্লগনি।

# বেঙ্গলগী মীখল মমাঙগী ভাইওলেন্সতা কোংগ্রেস ৱার্কর অমা হাৎখ্রে

**কোলকত্তা, জুলাই ৭ (এজেন্সী):**

জুলাই ৮ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী পঞ্চায়ট মীখলগী মাঙওইননা লেপ্তুনা চথরক্লিবা ভাইওলেন্সকী শরুক অমা ওইনা ইরাই নুমিৎকী অয়ুক্তা মুসির্দবাদ দিষ্ট্রিক্টতা রুল্লিং ত্রিনামুল কোংগ্রেসকী এক্তিভিষ্টশিংনি হায়বশিংনা ওরিবিন্দা মোন্দাল কৌবা লোকেল কোংগ্রেস লিদর অমা হাৎখ্রে।

ইনৌ নৌবা ভাইওলেন্স অদুদা থোক্লিবা মীশি অদু থারগা জুন ৮ দা মীখলগী তারিকশিং লাউথোকখিবদগী হৌখিবা নুমিৎ ২৯ নিগী মনুংদা মীখলগী মাঙওইননা শিখিবা মী মশিং পুন্না ১৮ শুরে। মীওই ১৮ দুগী মনুংদা মীওই মরিদি মুসির্দবাদ দিষ্ট্রিক্টতা শিখিবনি।

মুসির্দবাদকী খ্বাইদগী নৌবা থৌদোক অদু ৱেষ্ট বেঙ্গলগী গভর্ণর সিবি অনন্দ বোসনা ইরাই নুমিৎকী অয়ুক্তা দিষ্ট্রিক্ট অদুগী ইরাং কনবা মফমশিং য়েংশিন্নবা থুংখিবগা চান্ননা থোকখিবনি। ভিক্তিম অদুগী ইমুংগী মীওইশিং অমসুং কোংগ্রেসকী দিষ্ট্রিক্ট লিদরশিংনা মখোয়গী ৱারোলদা মোন্দালবু লোকেল ত্রিনামুল এক্তিভিষ্টশিংনা কোইতান তান্নরবা মতুংদা মখোয় ময়াম চঙদুনা হাৎখিবনি হায়না মরাল শীখি। অদুম ওইনমক লোকেল ত্রিনামুল লিদরশিপনদি ৱাফম অদু য়াখিদে।

কোংগ্রেসকী লিদর অমসুং কোলকত্তা হায় কোর্টকী কাউন্সেল কৌষ্টব বাকচিনা হায়খি, মদুদি রুল্লিং পার্টি অমসুং ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিসন্না পেন্ননবা মখা তানা মীওই কয়া য়াম্না শিখিগদগে হায়বা খঙবা ঙমদে। এদমিনিষ্ট্রেসন অপুম্বা ফেল ওইরে অমসুং ইলেক্সন কম্মিসন্না রুল্লিং পার্টিগী খুৎতা পপেট অমগুম্না থবক তৌদুনা লৈরে হায়নসু ফোঙদোকখি।

# সেক্সুৱেল হরাসমেন্ট কেসতা কোর্টনা দব্লিয়ু এফ আইগী হান্নগী চীফ ব্রিস ভুসন সিংহ সমন তৌখ্রে

**ন্যু দিল্লি, জুলাই ৭ (এজেন্সী):**

লৈবাক অসিগী মশক নাইবা নুপী রেষ্টল্লরশিংনা শিরিবা সেক্সুৱেল হরাসমেন্টগী মরালশিংগা মরী লৈননা বি জে পিগী এমপি অমসু ওইরিবা রেষ্টলিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া (দব্লিয়ু এফ আই) গী হান্নগী চীফ ব্রিস ভুসন সিংহ দিল্লিগী রাউস এভেন্যু কোর্টনা সমন তৌখ্রে।



ভুসন সিংহবু সেক্সুৱেল হরাসমেন্ট অমসুং কিহনবগী থৌওং চথুখি হায়না মরাল শীখিবা নুপী রেষ্টল্লর তরুক্কী ক্লেমশিংগী পাউখুম ওইনা কোর্টনা কেস অসিগা মরী লৈননা ফাইল তৌখিবা চার্জ সিট য়েংশিনখি। জুলাই ১৮ দা কোর্ট কারক্লনবা রাউস এভেন্যু কোর্টনা সমনশিং ইস্যু তৌখি।

মহাক্তা নত্তনা মহাক্কী হান্নগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি বিনোট তোমারসু কোর্টনা সমন তৌখ্রে। দিল্লি পুলিসকী লমায় ১০০০ হেন্না পানবা চার্জ সিট এক্যুজ ব্রিস ভুসন সরন সিংহগী মায়োক্তা আই পি সিগী সেক্সনশিং ৩৫৪, ৩৫৪ এ, ৩৫৪ দিগী মখাদা লৈরিবা ওফেন্সশিংগা মরী লৈননা রাউস এভেন্যু কোর্টকী চীফ মেট্রোপোলিটান মেজিষ্ট্রেট মহিমা রাইদা লানখৎখি।

চার্জ সিট অদুদা ৱিটনেস ২০০ রোমগী ষ্টেটমেন্টশিং য়াওই হায়রি। হৌখিবা চয়োলদা সি এম এমনা সেক্সুৱেল হরাসমেন্টগী কেস অদু এম পি সি অমসুং এম এল এশিংগী কেসশিং দিল তৌরিবা এস সি এম এম জাস্পলগী কোর্টতা ট্রান্সফর তৌখিবনি অমসুং লৈবাকপোকপা নুমিত্তা চার্জ সিট অদু খন্ননবা লেপখি। জাস্পলনা কমপ্লেনেন্টশিংগী উকিলদা কোর্ট অদুগী কোপিয়িং এজেন্সিদা সর্টিফাইদ কোপি অমা লৌনবা এপ্লাই তৌননবা দিরেক্সন পীখি।

কোনাউট প্লেস পুলিস ষ্টেসনদা রেজিষ্টর তৌখিবা এফ আই আর অদুদা সিংহনা এঠলেট অমবু সপ্লিমেন্টশিং পীগনি হায়না ওফর তৌদুনা সেক্সুৱেল হরাসমেন্ট চথনবা হোৎনখি হায়না মপুং মরৈ ফারবী নুপী রেষ্টল্লর তরুক্না মরাল শীখি।

# লেন্দ স্লাইদতা অঙাং নিপান শিরে

**ইস্লামাবাদ, জুলাই ৭ (এজেন্সী):**

পাকিষ্টানগী খাইবর পাক্তুনখুৱা প্রোভিন্সতা চীং নিংখায়বগী থৌদোক অমদা অঙাং নিপান শিখ্রে হায়না রেস্ক্যু ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ষ্টেটনা চল্লাইবা রেস্ক্যু ১১২২ না ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়রিবদি হৌখিবা শগোলশেল নুমিত্তা অঙাং খরা শাংলা দিষ্ট্রিক্টকী চীংখোংদা লৈবা গ্রাউন্দদা ক্রিকেট শান্নদুনা লৈখি। খঙহৌদনা চীং নিংখায়রকপদগী মখোয় লৈবাক্না ফুমজিনখি। পুং কয়া চুপ্পা শগোলশেল নুমিৎকী অহিং অথেংবা ফাওবা রেস্ক্যু ওপরেসন চথরক্লবা মতুং রেস্ক্যু ১১২২, লোকল ভলন্টিয়রশিং অমসুং পাকিষ্টান আর্মিগী রেস্ক্যু টিমশিংনা হকচাং নিপান অমসুং অশোকপা অঙাং অমা রিকোভর তৌখি।

রেস্ক্যু টিমশিংগী মতুং ইন্না চীং নিংখায়বগী থৌদোক অদু মফম অদুদা হৌখিবা য়ুমশকৈশদগী নোং কন্না চুরকপদগী থোকখিবনি।

# কার্গো জহাজদা চাক্লিবা মৈ মুথৎনবা হোৎনবদা ফায়র ফাইটর অনী শিরে, মঙা শোক্লে

**ৱাশিংতন, জুলাই ৭ (এজেন্সী):**

য়ুএসকী ন্যু য়োর্ক ষ্টেটকী নেৱাকিন পোর্টতা কার্গো জহাজ অমদা মৈ চাক্লকপদগী মদুবু মুথৎনবা হোৎনরিবা ফায়র ফাইটরশিংগী মরক্তগী মীওই অনী শিখ্রে অমসুং অতৈ ৫না অশোক অপন নঙখ্রে হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি।



য়ুএস কোষ্ট গার্দগী ষ্টেটমেন্ট পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়রিবদি নেৱার্ক ফায়র দিপার্টমেন্ট, কোষ্ট গার্দ অমসুং ষ্টেট অমসুং এরিয়া এজেন্সি কয়ানা ভেহিকল করিয়র জহাজ গান্দে কোষ্টা দি অবোরিয়োদা মৈ চাক্লিবদু মুথৎননবা মখা তানা হোৎনরি।

ষ্টেটমেন্ট অদুগী মতুং ইন্না য়ুমশকৈশ নুমিৎকী নুমিদাং পুং ৯.৩৮ তাবা মতমদা মল্টি-লেভেল ভেসেল অদুদা মৈ চাকপগী পাউ পীদুনা কোষ্ট গার্দকী ৱাটচ ষ্টেন্দরশিংদা অহানবা ওইনা কোল তৌখি। মৈ চাকপগী থৌদোক অদুদা জহাজ অদুগী ক্রু মেম্বরশিংদা অশোক অপন থোকখিবগী পাউ ফঙদ্রবসু চাক্লিবা মৈ অদুবু কন্ননবা হোৎনখিবা নেৱার্ককী ফায়র ফাইটর অনী ফিভম লুনা শোকপদগী শিখি।

কোষ্ট গার্দকী মতুং ইন্না রেস্পোন্দরশিং মখা তানা মৈ মুথৎনবা হোৎনরি অমসুং চাক্লিবা মৈ অদু লাকশিনবা ঙম্লবা মতমদা মদুনা ইনভাইরনমেন্টতা চৈথেং কয়াম্না পীবগে হায়বদু লেপকনি। লোকেল ন্যুজ আউটলেট অমগী রিপোর্ট মতুং ইন্না কার ৫০০ রোম পুরিবা কার্গো জহাজ অদু পোর্ট অদুদা খামখিবনি। মৈ চাকপা অদুদা শিখিবা ফায়র ফাইটরশিং অদুদি ৱাইন ব্রুক্স (৪৯) অমসুং ওগষ্টো অকাবৌ (৪৫) অনী অসিনি। অশোকপা ফায়র ফাইটর মঙা অদু তোঙান তোঙানবা ইঞ্জুরিশিংগী ট্রিটমেন্টগীদমক হোস্পিটালশিংদা পুখি।

ন্যু জর্সিগী গভর্ণর ফিল মর্ফিনা মীশি মীনাশিং থোক্লিবদুগী মতাংদা অৱাবা ফোঙদোকখি। গভর্ণরনা মহাক্কী ৱারোলদা মসিগী অৱাবগী মশক ওইরবা থৌদোক অসিনা ঐখোয় পুম্নমকপু ঐখোয়গী ফায়র ফাইটরশিংনা মায়োক্লরিবা খুদোংথীবশিং অমসুং মখোয়গী শিংথানিংঙাই ওইরবা থৌনা লিংজেলবু নিংশিংহল্লি হায়না ফোঙদোকখি।

# য়ুএসনা য়ুক্রেনদা ক্লষ্টর ম্যুনিসনশিং থাননবা থৌরাং তৌরি

**ৱাশিংতন, জুলাই ৭ (এজেন্সী):**

য়ুএসনা রসিয়াগী মায়োক্তা চথরিবা য়ুক্রেনগী কাউন্টর ওফেন্সিবতা মতেং ওইননবা লৈবাক অসিদা ৱাথোক ওইরবা ক্লষ্টর ম্যুনিসন্সকী পেকেজ অমা থাননবা থৌরাং তৌরি হায়না য়ুএস মেদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।

পনবা য়াবদি, য়ুক্রেন্না এম্যুনেসন ৱাৎলকপগী ফিভম অমা মায়োক্লরিঙৈ মরক্তা খুৎলায়শিং অদু থারক্লবা তকশিন্দুনা লাক্লিবনি। মালেমগী লৈবাক ১০০ হেনবনা থিংখ্রবা ক্লষ্টর ম্যুনিসনশিং অসি সব ম্যুনিসনশিং কৌবা এক্সপ্লোসিব বোমলেট কয়া য়াওবা খুৎলায় ক্লাসনি।

বি বি সিগী য়ুএস পার্টনর সি বি এস ন্যুজ রিপোর্টকী মতুং ইন্না বাইদেন এদমিনিষ্ট্রেসন্না ইরাই নুমিত্তা পেকেজ অদু লাউথোক্লবা য়াই। ক্লষ্টর ম্যুনিসনশিংনা মফম অমদা পাক শন্না মীওই কয়া শিহনবা ঙম্বগা লোয়ননা সিভিলিয়নশিংদা অকিবা চাওনা পীবনা য়ুএস ওফিসলশিংনা য়ুক্রেনদা খুৎলায় অসি পীনিংদনা লাক্লিবনি।

মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাও মনুংদা অহানবা ওইনা দিভলপ তৌখিবা ক্লষ্টর বোমশিং অসি য়ুএসতা মরাং কায়না পৈদুনা লৈ। ম্যুনিসনশিং অসি ৱাথোক ওইরিবগী মরমদি মখোয়বু শীজিন্নবদা পান্দমগা চান্নদবা মওংদা ফেল ওইবগী চাং ৱাংবা অসিনি। হায়বদি পোকখায়হৌদবা বোমলেটশিং চহী কয়া গ্রাউন্দদা লৈবা য়াই অমসুং মমৈথংদা পোকখায়রক্তুনা মীওই কয়া মরু ওইনা মীচম মীয়ামশিং শিহনবা য়াই।

বোমলেট ফেল ওইবগী চাং চাদা ১ দগী হেনবা ক্লষ্টর ম্যুনিসনশিং ট্রান্সফর তৌবদা য়ুএসকী লোনা অথিংবা থম্মী। খুৎলায় অদুদা য়াওরিবা বোমলেটশিংগী চাদা অমা হেন্না পোকখায়দবনা মরম ওইদুনা লোনা খুৎলায় অসিবু ট্রান্সফর তৌবদা অথিংবা থল্লিবনি। তৌইগুম্বসুং প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা মসিগী রুল অসি বাই পাস তৌবা ঙম্মী। বাইদেন এদমিনিষ্ট্রেসন্না ফেল ওইবগী চাং চাদা ২.৩৫ তগী হেন্না নেম্বা ক্লষ্টর ম্যুনিসনশিং থাননবা খন্নরি হায়না দিফেন্স দিপার্টমেন্টগী ওফিসলশিংনা শগোলশেল নুমিত্তা ফোঙদোকখি।

# ইটালিগী মিলানদা লৈবা রিটয়র্দমেন্ট হোম মৈ চাকপদা মীওই ৬ শিরে

**রোম, জুলাই ৭ (এজেন্সী):**

ইটালিগী মিলান সিটিদা লৈবা রিটয়র্দমেন্ট হোমগী কা অমদা মৈ চাক্লকপদগী মীওই তরুক শিখ্রে অমসুং অশোক অপন নঙলবা মীওই ৮৯ হোস্পিটালদা পুখৎখ্রে হায়রি।

ইরাই নুমিৎকী অঙনবদা অহল ওইরবশিংগী কসাদে কোন্যুগি হোমদা মৈ চাক্লকপদগী মদুবু মুথৎনবা কন্না হোৎনখিবনি।

চাক্লিবা মৈ অদু য়াম্না থুনা লাকশিনবা ঙল্লবসু রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা মীপুম খুদিংমক অমমমতা ওইনা হোম অদুদগী পুথোরকপা মথৌ তাখি হায়না মিলানগী মেয়র গুইসেপে সলানা ফোঙদোকখি। মেয়র অসিনা পাউমীশিংদা মীওই তরুক শিরিবদু য়াল্লবা মীশিনি হায়না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, মহাক্না মদু হেন্না শাথিরম্বা য়াই হায়নসু ফোঙদোকখি। ইভিদেন্স পুম্নমক্তগী মৈ অদু নুপী অনী লৈবা কা অমদগী চাকপা হৌরকখিবনি হায়বগী ইঙ্গিৎ পীখি। মৈ চাকপা অদুদা কা অদুদা লৈরিবা নুপী অনীনা শিখি অমদি অতৈ মীওই মরি অদুনা মৈখু হোঞ্জিনবদগী শ্বর ফুন্দুনা শিখিবনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

অন্সা ন্যুজ এজেন্সিগী মতুং ইন্না ভিক্তিম তরুক্তুগী মনুংদা মঙাদি নুপীশিংনি। হোম অদুগী ষ্টাফকী মরক্তগী অমনা পাউ পীখি অমসুং ফায়র ফাইটরশিংনা য়াম্না থুনা মৈ অদু লাকশিনবা ঙমখি। মৈ হৌরকখিবা কাগা তাইনবা অতৈ কাশিংগী ৱালশিং মৈনা ৱাইবদগী মুশিনখি। তৌইগুম্বসুং চাক্লিবা মৈ অদুদি থংনবা কাশিং অদুদা শন্দোকখিদে। মৈ অদু অহানবা ফ্লোরদা চাকপা হৌরকখিবনি অমসুং মদুদগী থোক্লকপা মৈখু মথক্কী ফ্লোরদা শন্দোকখি।

মৈখুশিং অসিসু মৈগা মান্ননা মী শিহনবা ঙম্মী হায়না মেয়র সলানা ফোঙদোকখি। মহাক্কী মতুং ইন্না হোস্পিটালদা পুখৎখিবা মীওই পুম্নমক মৈখুনা শোকহল্লবশিংনি অমসুং মখোয়গী মনুংদা মীওই ১৪ গী ফিভম লুনা লৈ। সার্উর্দন মিলানগী কোর্বেটো এরিয়াদা লৈবা রিটয়র্দমেন্ট হোলদা তোঙান তোঙানবা থাক্কী ক্যের মথৌ তাবা অহল ওইরবা মীওই ১৬৭ লৈখি।

# নোর্থ চাইনাদা হিটৱেবনা মীওই অনী শিহনখ্রে

**বৈজিং, জুলাই ৭ (এজেন্সী):**

নোর্থ চাইনাগী হ্বৈ প্রোন্সিতা হিটৱেবনা মরম ওইদুনা মীওই অনী শিখিবদগী ইরাই নুমিত্তা প্রোভিন্স অদুদা লৈবাক অদুগী খ্বাইদগী ৱাংবা এলর্ট সিষ্টেম হায়বদি রেদ এলর্ট অমুক হন্না ইরাই নুমিত্তা ইস্যু তৌখ্রে।

এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়রিবদি প্রোভিন্সিএল ৱেদর ষ্টেসন্না অয়ুক পুং ১১ তাবদা অমুক হন্না রেদ এলার্ট ইস্যু তৌদুনা ইরাই নুমিত্তা বাউদিং অমসুং লংফাং সিটিশিং য়াওনা মফম কয়াদা শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ৩৭ তগী ৩৯ ফাওবা য়ৌগনি হায়না ফোরকাষ্ট তৌখি।

ৱেদর ষ্টেসন অদুগী মতুং ইন্না খ্বাইদগী ৱাংবা টেম্পরেচরশিং অদু মফম খরদা সেলসিয়স দিগ্রি ৪০ দগী ৪৩ ফাওবা য়ৌবা য়াই।

প্রোভিন্সিএল মেটিওরোলোজিকেল ব্যুরোগী মতুং ইন্না হ্বৈবগী নেসনেল ৱেদর ষ্টেসন ৯ গী খ্বাইদগী ৱাংবা টেম্পরেচরশিং চহী অসিদা রেকোর্দ ওইনা ৱাংখি।

# সুবেন্দু অধিকারি মীখল নুমিত্তা মশাগী কন্সটিট্যুএন্সিদগী হেন্দোক্তনবা খঙহনখ্রে

**কোলকত্তা, জুলাই ৭ (এজেন্সী):**

ৱেষ্ট বেঙ্গলগী পঞ্চায়ট মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা থাংজ নুমিত্তা মশাগী নন্দিগ্রাম এসিদগী হেন্দোক্তনবা ইরাই নুমিত্তা কোলকত্তা হায় কোর্টনা ওপোজিসন লিদর সুবেন্দু অধিকারিদা দিরেক্সন পীখ্রে। দিরেক্টিব অদু জষ্টিস অম্রিতা সিনহাগী সিঙ্গল-জজ বেঞ্চনা ইস্যু তৌখিবনি।

হৌখিবা শগোলশেল নুমিৎকী নুমিদাংদা কোন্টাই পুলিস ষ্টেসনগী ইন্সপেক্তর-ইন-চার্জ অমালেন্দু বিস্বাসনা চেরোল অমা ইস্যু তৌদুনা অধিকারিবু ইষ্ট মিদনাপুর দিষ্ট্রিক্টকী নন্দিগ্রাম কন্সটিট্যুএন্সিগী পার্ট নম্বর ৭৬, নন্দনবারনা কোনবা মফমদগী হেন্দোক্তনবা খঙহনখি।

কন্সটিট্যুএন্সি অদুদা মহাক ভোটর অমা ওইবগা লোয়ননা ইলেক্টেদ লেজিসলেটর অমসু ওইরিবনি। মহাক ওপোজিসন লিদর অমনা ফঙফম থোক্লিবা খুদোংচাবা সেক্যুরিটি পর্সনেল লোইনরবা ফাওবদা পোল্লিং বুটতা চঙবদা অথিংবা থমখ্রে। ইরাই নুমিৎকী অয়ুক্তা অধিকারিনা জষ্টিস সিনহাগী বেঞ্চতা মহাকপু অথিংবা থল্লিবা ওর্দর অদু চৎনহন্দনবা তকশিন্দুনা ৱাকৎখি। মদুগী হিয়ারিং নুংথিলদা পাঙথোকখি।

মহাক্কী আর্গুমেন্টদা অধিকারিগী কাউন্সেল সোময়া মজুমদারনা হায়খি, মদুদি ওপোজিসন লিদর ওইনা ইলেক্সনগা মরী লৈননা মহাক ষ্টেট শীন থুংবগী রেস্পোন্সিবিলিটি য়াম্বনা কোটাই পুলিস ষ্টেসন্না নোটিস থারক্লিবদু মরম চাদে। মহাক তঙাই ফদনা মীখলগা মরী লৈনবা ভাইওলেন্সতা অশোক অপন নঙলবা মহাক্কী পার্টিগী ৱার্করশিং ট্রিটমেন্টগীদমক্তা হোস্পিটালদা পুখৎপগী থবকসু তৌবা তাখি হায়না মাজুমদারনা মহাক্কী আর্গুমেন্টদা পনখি।

ৱেষ্ট বেঙ্গল ইলেক্সন কম্মিসন (দব্লিয়ু বি ই সি) গী কাউন্সেল জিস্নু সাহনা মহাক্কী আর্গুমেন্টদা ওর্দর অদু পোলিটিকেল লিদরশিংদা এপ্লাই তৌবা য়াই অমসুং মদু ওপোজিসন লিদর খক্কী নত্তে হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা লোক সভা অমসুং এসেম্বলি ইলেক্সনশিংগী কেসতা মান্নবা থিওরি চল্লাই হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি।

# পঞ্জাবকী সিএমনা এম জি এন আর ই জি এগী খুৎশুমলগী রেট হেনগৎহন্নবা দিমান্দ তৌখ্রে

**চান্দিগর, জুলাই ৭ (এজেন্সী):**

পঞ্জাবকী মহাত্মা গান্ধী নেসনেল রুরেল ইমপ্লোয়মেন্ট গরেন্টি এক্ট (এম জি এন আর ই জি এ) গী খুৎশুমলগী রেট ষ্টেট অসিনা অনস্কিল এগ্রিকলচরেল ৱার্করগীদমক নোটিফাই তৌখিবা রেটকা চান্ননা লুপা ৩৮১.০৬ তা হেনগৎহন্নবা ইরাই নুমিত্তা ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টর ভগৱন মাননা দিমান্দ তৌখ্রে।

য়ুনিয়ন রুরেল দিভলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়টি রাজ মিনিষ্টর গিরিরাজ সিংহদা ইবা লেট্টর অমদা সিএম মাননা স্কিম অদুগী মখাদা লেবরগীদমক্তা নোটিফাই তৌখিবা রেটশিং রিভাইস তৌদুনা হেনগৎহন্নবা তকশিনখি।

মহাক্না হৌজিক লৈরিবা রেটশিং অদু য়ামন্দে হায়না ক্লেম তৌরদুনা রিভাইস তৌদুনা খুৎশুমলগী রেট হেনগৎহন্নবা তকশিনখিবনি।

মহাক্না য়ুমথংনরিবা হরিয়ানাগী রেট লুপা ৩৫৭ কা চাংদম্নবদা পঞ্জাবকী ওইনদি খরা নেম্মা খুৎশুমলগী রেট ওইনা লুপা ৩০৩ দা লেপ্তুনা নোটিফাই তৌখি হায়না ফোঙদোকখি।

ষ্টেট অনীমক মান্নবা জিওগ্রাফি অমসুং ইকনোমিক কন্দিসনশিং লৈরবসু স্কিম অদু চৎনবা হৌখিবদগী লৈরক্লিবা খেন্নবা অদু মহাক্না হন্দক্তা খঙলকখিবনি হায়নসু মাননা মখা তাখি।

CAS Coaching Centre
CAS Building, 2nd floor Keishampat Junction Imphal
Admission Open (New Batches)
FOUNDATION COURSES
Hurry!!! Seats are Limited First Come First Served
CLASS XII (Physics, Chemistry, Maths, Biology & Eng.)
CLASS XI (Physics, Chemistry, Maths, Biology & Eng.)
CLASS X (English, Maths, Science & Social Science)
Special features:
- Experienced and Expert Faculties.
- Special Concession for Meritorious, Govt. School, Single Parent, Ethnic Victim, Differently abled Students.
- Counselling & Extra Classes for Slow Learners
- Supply Chapterwise Study Materials.
- Targeted Suggestion for Final Exam. by Experts.
- Weekly and Monthly Test Series.
- 30 Students for each Batch.
- Vision for Toppers in 2024.
Hostel for BOYS & GIRLS Available
Classes Commencing from 6th July, 2023
# Morning:(4.30– 7.00) A.M. # Evening:(3.30– 6.30) P.M.
For Details Contact:- CAS Office, 2nd floor Keishampat Junction Imphal(Mayai Lambi Machin) # 6033817130
HL-P/6960/30-6 to 29-7